# ঐখোয়, ইশানা ইশাবু করেম্নবা ঙমগদ্রা?

মালেম (পৃথিবী) অসি কৈদৌঙৈ ওইরকখি? কনানসু চপ চানা হায়বা ঙমদে। সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিনবদগী অসুম্নদি হায়নৈ, মালেম অসি ওইরকখিবা (শেম্লকখিবা হায়বা ৱাহৈদুদি শীজিন্নজরোই) ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী বিল্লিয়ন মঙারোমগী মমাঙদনি। নুমিৎ কৌবা মৈবুলসিগী অকোয়বদা উরু-রু-রু উংবা অতোপ্পা মৈবুল অমা ওইরম্বদগী তপ্লা-তপ্লা ঈংথরক্তুনা ঙসিগী মালেম অসি ওইরকখি। তীল-কাঙ-ঙা-শা-মী... মথং মথং ওইরকখি হায়। মদুবু কৌই 'ইভোল্যুসন থিওরি'। অসুম্না মথং মথং ওল্লকপনা খ্বাইদই শিংবা থৱায়পানবা 'মী' কৌবা জিব অসি ওইরকখিবনি হায়বসিসু মীওইবনা হায়বনি। পোৎ অমা ওইরকপা হায়বসি শেম্বীবা কনাগুম্বা অমা য়াওদনা ওইবা য়াদবগুম, নুমিৎ -থা-থৱাম্মীচাক, মালেমসিগী থৱায় পানবশিংবুসু শেম্বীমা অমা লৈফম থোকই, শকখঙদবা ক্রিএটর (শেম্বীবা মপু) অদু ঈশ্বর কৌই হায়বসু মীওইবনা হায়বনি। ৱাখল খনবা ঙম্বা, ৱা ঙাঙবা ঙম্বা, ৱাখল অদু থবক ওন্থোকপা ঙম্বা মীওইবনা লাকপদগী মালেম অসিদা অঙকপা অহোংবা কয়াসু লাকখি। লেপ্পা লৈত' হোংলক্লি। ঙসি উরিবা অঙকপসি নত্তবা হয়েং করি ওইর'নি। হায়বা ঙমদে কনামত্তনা। অদুবু, মসিমদি খঙই ঐ চপ চানা - 'মীওইবগী ৱাখলদগী থোকখিবা 'সাইন্স'না ফনা চাওখৎলবসু - মীওইবা অমদি তাইবঙপানববু শেম্বীবনি হায়রিবা লাই কৌবা মহাক্তুদি কৈদৌনুংদা মীৎমাংসিদা পুথোরকপা ঙম্লরোই। শিব (দেথ) হায়বসিবুসু কৈদৌনুংদা মায়থীবা পীঙম্লরোই।

ৱাখল অসি খল্লুঙৈ, হৈ শিংলবা মীওইবনা শেমগৎতুনা ৱারী কয়া মথং মথং নীংশিংলকই। হিন্দুগী অরিবা লাইরিক (পুরান) শিংদগী তারকই - তাইবঙসিদা পোকখিবা মীশিংগী মরক্তই ইহান হান্না শিখিবা মীশক্তুগী মমিং 'যম' কৌই। মহাক্লা শিরবা মতুংদা 'অশি-লৈবাক' কৌবা লমদম অমা লিংখৎখি। মফমদুদা মহাক্লা নিংথৌ ওইনা পাল্লকখি। শিরবা মী ঙাক্তগী লমনিনা, মফমদুদদি কনাসু অমুক শিবা নাইদরে। মহাক্কী নিংথৌ খুভম মুনবীনবা কনামত্তা চোংথোরক্তবদুনা, ঙসি ফাওবা মহাকপু 'যমরাজ' হায়না খঙনরি। পোকপা-শিবা, পাপ-পুন্য... লম-লমগী থাজনবী মতুংইন্না লৈ, তোঙান তোঙানবা মান্নদবা ৱারী কয়া। অসিগুম্বা ৱারীশিংগী মনুংদা ঐনা খ্বাইদই খোয়দাজবা ৱারী অমা লৈ। রুসিয়াগী মমিং চৎলবা অইবা 'লিও-তোলষ্টোই' গী ৱারী মচা 'মীওইবনা করিগী হিংলিবনো' (১৮৮৫) মিংথোনবা অদুনি। অদোম হান্না থেংনবীখ্রবরা? ওইরম্বসু য়াই - মথায় থায়না পাখিবা, হৌজিক্তি অকাউ পরৈনখ্রবা। হৌখ্রবা মতমগী তাইবঙদুদা ঙাইহাক পুঙ্গোয় কোয়রুসি। লামায়শিংদু হাংদোকচরক্কে। ৱাখলদুদা করি ফাওবীবগে? পাউ অমুক হন্দোকপীরক্ত্রবসু, পারবা মতুং অমুক্তুংগা খন্থবীয়ু।

অশিবগী নিংথৌনা, মাগী পাউখোল্লোয় (দুট) অমবু, পুন্সি চেংজেল লোইগদৌরবী নুপী অমগী থৱায় লৌরুনবা মালেমদা থাখি। অশিবগী দুট অদু থৱায় থাগদৌরবী নুপীদুগী মনাক য়ৌবদা মীনুংশিনা থূমহৎখ্রে, মতৌ য়েংবা ঙমদরে। থৱায় লক্লি য়াল্লিবা নুপীদুনা হায়জরকই... 'হে থৌজাল হৈরবা! চয়োল অমখক্তা মঙায়রি ইপুরোইবা কায়নখিবা...নীনি খক্তা ঙাইরিবী ফাইবোক ওইনা পোক্লবী নুংশিরবী ইমোমশিং, মমা মপা য়াওদনা শিফম-নাফম খঙলরোই ... মপাবুসু লৌশিনবীখ্রে, মমা ঐতদি হিংহনবীয়ু... লায়রবীগী মচানি কনানসু য়েংবীররোই...'। পিরোইনবা ৱাহৈদুদা থৱায় লৌবা ঙমদনা দুত অদু হল্লক্লে, ৱারম পূম্বা মবুংঙোদা হঙ্গৎলে। নুংশি' খঙদবা মপুনি তথী তথী চৈরক্লে... 'থৱায় পীবা অমা লৌবই ৱারেপ লৌরিবা মঙোন্দগী নঙনা হেন্না শিংবরা? চৎলু। নথৌ তৌ...'। মানা অমুক হল্লকপদা, নুপীদু থৱায় থারম্লে। শিরবা হকচাংদুনা ননবদা নুপীমচা অমদি মখোঙ শোইনাইরম্লে।

মপুই য়াথং থওইদবগী লাইরৈবাক্কী পাউখোল্লোয়, চৈরাক ওইনা থারক্লে পাপ্পা থল্লবা মালেমসিদা, হায়রকই অশিবগী নিংথৌনা 'ৱাহং অহুমখক্কী পাউখুম ফংজবা মীকূপ্তা নঙবু অমুক লৌশিনগনি লাইরৈবাক্তা... পাউখুম অমমম ফংবা মীকূপ্তা নোক্কনি নঙ থম্মোয় পেন্না, মীনোক অহুম নোকপদা চৈরাক লোইরে নহাক্কী'...। ৱাহংশিং অদুদি - (১) মীওইবগী থম্মোয়দা য়াওরিবদু করিনো? (২) মীওইবদা য়াওদবা য়াওফম থোকপদু করিনো? (৩) মীওইবনা হিংলিবসি করিগীনো?

থেঙলবা, ঈংলবা নিংথমগী অহিংদুদা, মশাদা মফি থোংদনা হুন্দোক্তুনা থনম্লে লম্বীগী চিদাই অমদা। মশাবু অইংবদগী কঞ্জনবা শামতু ফুরিৎ অনী শুনা লীৎঙমদবা খোঙউপ শাবা নুপা অমা, মীঙোন্দা তোনখিবা শেল খোমগৎলগা মাগী নুপীগী শামতু ফুরিৎ লৈবীগে চৎলুবা, নীংবা কায়না হল্লক্লম্মী, য়ু পং'খৈ ঙাওরদুনা। য়ুগী ময়াইনা অঙ্গৈবা ফাওদ্রবা খোঙউপ শাবা; মশাগী মফি নুপাদুদা ইনবীরগা, ময়ূমদুদা পুবিরক্লম্মী। মতৈ মনাওখক চারিবা, মথঙগী চরা লৈত্রিবা মখোয়না মীতোপ অমা করম্না থাক্কদৌরিবা? শাউবনা মৈ হৌরম্বী মাগী নুপী, পাম্বৈ লৈত্রবা নুপাদুগী মতৌ উবদা ৱা মখা তাখিদে, অরৈবা খরা য়েন্নদুনা চামিন্নখি।

যমগী দুত, অহানবা ওইনা মোমোন মীনোক তম্লকখি। করিগী নোক্লিবা 'মুচি'দুদি খঙখিদে।

ময়ূম লৈত' নুপানি। কদায়দা অমুক হল্লুনি? মপূক্তুসু থাকচনবা, খোঙউপ শাবা নুপাদুগী মতেং পাংবা ওইদুনা পুন্সি লেনবা তারকই। মথন্তনা শুরম্বা, তেংবাঙবা অমা ফংলবদা মহাক্কী খোঙউপ কারবার, খুঙ্গং লান্না খঙনরে, মমিং চৎপা ওইরক্লে, লায়রবই মমি মূৎখরে। খূৎ-হৈবা খোঙউপ শাবনি, নিংথৌমক্লা থিরক্লে। অখন্নবা শউন অমা পুদুনা, নোংম লাক্লে ফম্নাইবা ... 'অতাঙবা শাগী শউননি, মচেৎ অনী শুদবনি, ইনিংথৌগী খোঙউপ অমা অখন্ননা শাগদবনি, খোঙ উপশিনবী মখলদুনি হাংদোকপী মখল (চপ্পল) নত্তে.... ওন্না তৈনা তৌরবা, থৱায় মাঙনি কাউগনু চৈরাক কনবা নিংথৌনি...'। মতমদুদা চপ্পলদি অশিবা হকচাং লৈরোন চনবদা রুসিয়াদা শীজিন্নবা চৎনবীনি। নৌনা তম্বা ওইর'সু মখূৎ-নানবা খূৎহৈবা মাগী মকা থাবদা থৌদাং অদু শিন্নরে। নুমিৎ খরা লৈরগা, হংলুবদা খঙলক্লে - নিংথৌগী য়াথং থৌওইদনা চপ্পল ওইনা শারম্লে। চৈরাক ফংলনি খনবদা কুচু তাইফেৎ তাইরক্লে - মহুৎ শিনবসু য়াদবা! থৱায় মাঙবা শোয়দ্রেদনা! তানফম অদুমক্তদা নিংথৌগী ফম্নাইবা চেল্লক্তুনা হায়ররে... 'ঙসি অয়ূক শ্রীযুত মহারাজ লৈখিদ্রে চপ্পল ওইনা শাবীরো...'। চৈরাক পীগে খল্লুবা মনা ওইনা পীখরে।

মদুদা নোকখি দুতকী অনীশুবা মীনোক।

কুমজা খরা হৌখরে। নোংমা মাগী দুকান্দুদা নুংঙাই য়াইফ ইমুংগী নুপী অমা, মমল য়াম্বা শউন মপাক পুদুনা, নুপীমচা শকহেল্লবী অনীখক পুদুনা লাক্লম্মী। নুপীমচা অমদি মখোঙ শোইনাইরবীনি। ঙক্লা হংখি 'মাইকেল' না (তেংবাংবা দুতকী মিং)... 'ইচে, অঙাং অনীসি ইচেগীরা?'

'ঐগীদি ইচা লৈজদে। মরায়বক থীরবী নুপীমচানি, পোকপা মতুং নীনি শুবদা মমাদু লৈখিদবনি, মপাদুসু লৈখিদ্রে... ইচা লৈতবসি উবদা লাইনা পীবিরবনি...'।

মানা মথ্বায় লৌবা চৎলুবা নুপীদুগী মচা-নুপী অনীদুনি। লায়রবী মমাদুবু মানা হিংহল্লম্লবা, নুপীমচা অনীসি ফিজেৎ-ফিগায় রক্তা, চাক্লি-ফিনি তৌদুনা লেল্লমগনি শোয়দনা, ঙসিগী শকহেনবী নুপীমচাসি ওইরম্লোই। 'সিবু কৌই লাইবক!

মহাক্কী অহুমশুবা মীনোক অদু পেন্না নোকথোক্লগা য়ূম্বুদুদা হায়রকখি, ... 'হৌজিক্তি ঐগী চৈরাক মতম লোইরে, খঙলমদবা ৱাহং অহুমগী পাউখুমদুসু ফংলে, ইয়ুম লমদমদা হল্লনি... ঐহাক অশি লৈবাক্কী পাউখোল্লোয়নি'।

মীগী ঈগোদা নোকপা নত্তবা, ইশাগী ইগোবু করেম্নদুনা নোকপা তমসি অমুক্তা। ৱারী'সি পারুরগা খল্লকপা ৱাখলনি।


*—ইন্দ্রকুমার*

# হৌখ্রবা মতম্বু নৌহৌননা নীংশিংহল্লিবা শৈরেং লাইরিক 'জপান লান্দো'

জপান লানগী ৱারী ঙসিসু অহিংবগুম্না লীনরি, শোন্নরি অকি তুজুংলবা লান মতমদুগী মণিপুরগী ৱারী। লান হায়বসিনা করিসু পুরক্তে শেৎন-খাইনবা, অৱা-অনা নত্তনা। লৈবাক অমগা অমগগী মরক্তা মীওইবা ফুরুপ কাঙলূপ মশেল মরক্তা লানদি লেপত্রি ঙসিসু। মীওই কয়া শিখ্রে, কয়া অমনা অশিবগুম্না নাম্মা শোয়দুনা মীমান্নদ্রবা পুন্সি মহিংদা লৈরি ঙসিসু মালেমগী মফম কয়াদা লান হায়বসিনা মরম ওইদুনা। অইবী শ্যামাসু অসিগুম্বা লানগী মতমদি লোইখ্রবা মতুংদা পোক্লবসু মহাক্কী মবোকনা মখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ফুঙ্গাদা ফমদুনা মৈ তিক্লা তিক্লা লীখিবা ৱারীশিং অদু কাউবা ঙমদে। মসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা শৈরেং ইরক্লবগী মরম অমদি ওইরি। পূক্নিংগী ইথিল অমসুং অপাম্বদি থিংলুবসু খক ঙমদে অদুনা অইবীসু ঈচেল নাইনা অসিগুম্বা ইহুলশিং অসি শৈরেং ওইনা, পাউদম ওইনা ইরক্লি। ইচম চম্বা ৱাহৈনা শক্তম অমা শাগৎপনি মিংথোল ওইরিবা শৈরেং 'জপান লান্দো' হায়রিবসি। জপান লান হায়রগা খঙনবা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা মণিপুরদা জপানিজশিংগা বৃটিশকা শোক্নখিবা লানফম অদুদা লান্দুদা য়াওরুদ্রবসু মসিগী চৈথেংদি ফংখি। লানফমদুদা য়াওখিবা সিফাইশিংনা লান মনুংদা মীওইবা অমা ওইনা মীনুংশিদি মাঙদনা লোন নীংথিজনা ফাওনদ্রসু অঙাংশিংদা লান চেল্লিবা মীওইশিংদা মীনুংশি উৎখিবা অদুবু নেরেটিভ পোইমগী মওংদা নৌনা পাউদম্লি অইবীনা। অইবী তোংব্রম শ্যামা, কুমজা ১৯৬৩দা শগোলবন্দ মোইরাং হনুবা মমাঙ লৈরক্তা লৈবা তোংব্রম নুপামচা অমসুং অমুদোম্বী অনীনা মচা তরেৎ পোকচবগী মনুংদা মহাক্লা মচা নিংঙোল অহল ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। য়াম্না নহা ওইরিঙৈদগী খোরিরোল পামজদুনা লাকপগী মমি তারি মহাক্কী শৈরেংশিংদা। গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্লিক্তা থবক তৌরি।



তোংব্রম শ্যামা




লাইরিক্কী মমিং :-
**জপান লান্দো (২০২০)**
অইবী :- **তোংব্রম শ্যামা**
অফোঙবা :-
**রিন্দা পব্লিকেসন্স**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লমায় মশীং - **২০৮**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ২০০/-**
লাইরিক্কী মখুম :-
**টি জিম**

অইবীগী শৈরেংশিংদা থায়নগী নুংঙাইবা মতম, নুংশি চান্নগা লৈমিন্নরম্বা, কৈরোই লৈকায়, থকসি খাসি নাইনা পাল্লম্বা মৈতৈশিংগী য়ূম্বাল অদুদা কল্লকচবা অমদি মদুবু ঙসিসু কায়দনা লীক্লম অদুদা চৎনীংবগী পূক্নিং ইহুলশিং ফোঙদোক্লি। কুম অমগী মনুংদা অমুক্তুং লাকপা লাংবন থানা লাকপদা অইবীনা নীংশিংদবা ঙমদে লাইওইখ্রবা মপা মপুশিংবু। কায়ফদ্রবা তাইবঙ পুন্সি খোঙচৎ অসিবু লুনা নুংশিনা লৌজৈ হায়বা মহাক্কী শৈরেংশিংদা মমি তাররি পূক্নিংগী ৱারোলশিং। অদুনা তেংথারক্লি মহাক্কী শৈরেং, লাংবন থাদি থানুংশি হায়বসিদা, *"ঐগী মীগী নাইদনা/ইচা মীচা খায়দনা...নুংশি চান্না নাওকোনবী/ঙাক শেল্লম্বনি চেকশিন্না; চীংজাওগুম, উপালগুম লেপ্পিরম্বনি/শোয়ফ লেঙফদ্রবা/মপুগী য়াথং অকনবা/ইন্দবদি য়াদা ইন্দুনা/নুংঙাইরবা মীরম্লেন থাদোক্লম/খম্নুং শাৱা তানখ্রবা, ইপু-ইবেন!.../লাংবন থাদি থানুংশি/য়াইবী থৱায়শিংনা খোইরাং-থা/নিংঙোল ওইবী কয়ানা,/মপাম লমদম পাংলকপা/হৈকৎ লৈকৎ তমজরবা/খূৎথেংননা লৌবীয়ু"* লা: ১৮।

লান মরক্তা হিংলিবা মীওইবনা লান হায়বসি অসুক্কী মতিক তাথি। লান হায়বসি পল্লকপদা পূক্নিং ৱাখলগী লায়না লাইমন ফাওবা ওই। কাঙলূপ ফুরুপকী লান, ঈ মশেলগী লান অদুগা অমুক হৌজিক খূৎলায় পায়বা মশেল মূক্লবগী লান লেপ্তুনা চত্থরি কংলৈপাকসিদসু। অশোনবা মীচং লৈজদবা নুপী অঙাং হায়বা লৈতে অসিগুম্বা লানসিদা কনবীগদবা অমদি ঙাক শেনগদবা কনাসু। অসিগুম্বা তুহৎপীবা, নৈহৎপীবা অদুগা অচুম্বা ৱায়েলনা নাথৈবীরবা লান অসিমক মণিপুরদসু ফোং ফোং শানা থোক্লি হায়বদু অইবীনা মহাক্কী শৈরেং লাননি লান হায়না মিংথোন্দুনা ইরক্লি ফ্রিস ভর্সতা, "লানগী লান ঙাক্তনি,/শোক্লরিবা মৈতৈ লৈবাক্তা।/মফম খুদিং মচি খুদিং,/খূৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা লান,/খূৎলায় পায়বগা পায়দবগা - অনীগী মরক্তা লান।/... ৱাকৎ মীফম রেল্লি মীটিং,/লাউই খোংই/ইকান কান্নদে।/..." লা: ৩৩।

লমলক্কী শা উচেকশিং অমসুং শজি সঙাই হৈরাং লৈরাংদা কবি ওইবগী হৌনশা মখোয়গা অৱা নুংঙাই ৱারী শানৈ। মখোয়না তাইবঙ মীওইবগী মনাক নক্লা লৈরুবদা থেংনরিবা অৱাবা অমদি খুদোংচাবশিং অদু মীনুংশি চাওবা থম্মোয়শিংনা নুংশিবা অমদি মখোয়বু য়োকপী কনবীনীংবা লৈরবসু অয়াম্বনা অসিগুম্বা শা উচেকশিং অসিগীদমক পাম্বোম তিংবা ঙমদে। অইবী শ্যামাদি ৱারী শানরি মালেমদা তোমথীন ঙাল্লিবা কৈবুল লমজাওগী সঙাইগা। তাইবঙ মীওইবদি মাগী মাগী ময়ূম শাদুনা কুম্বী কালেন, নোংজু নুংশাদগী ঙাকথোক্তুনা নুংঙাইনা লৈনরি অদুবু সঙাই মহাক্তি অসিগুম্বা নোংজু নুংশা, কালেন মৈশা মরক্তা করম্না লৈরিবগে হায়দুনা হংনীংলুই। অদুনা ইরক্লি থম্মোয়দা ফাওরিবা সঙাইবু নুংশিবগী ৱারোলগা লোয়ননা 'তোমথীন ঙানবা' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা, *শজিবুগী নোংলৈ নংলিবী/কালেনগী মৈশা লাংলিবী/ইঙা নোংজু মরেল্লি/কুমগী ঈচাওসু মায়োক্লে/নীংথম চৈনাসু মখাংই/উপাল ৱাপাল মরুমদা/নঙগী পোত্থাফম ওইবরা?/উনা ৱানা মরক্তা/নঙগী য়ারেকফম লৈবরা?... সনা কৈবুলগী তম্পাক্তা/চেন্না-চোংনা শান্নবা/নুংঙাইববু ফংবরা, অপেনববু ওইবরা? তম্মুগবা শকহেনবী/* (লা: ৪২)।

মহৌশাগী ফজবা শক্তমদা অমসুং লেপ্তুনা চৎলিবা মতম মাগী খোঙচৎ অসিবু কুপ্না য়েংদুনা শৈথাজদবা ঙমদে অইবীসু। মেরাগী থানিলদা করম্না ঙাওরম্লোই কবিগী থম্মোয়না। কুমগী নোংহৌ লাকপদা থম্মোয় নৌথোক্লি। মরমদি কালেন লৈতেঙ্গাই মরক্তা ইখৌ লাংলবা উরি উপাল পূম্নমক্লা ঙাইরিবসি কুমগী নোংদুতনি। লৌমী শিন্মীশিংনা ঙাইরিবসু মহাকনি কুমগী নোং। মহৈ মরোং চুল্লবা মালেম অমা ওইরক্লবা কুমগী নোংলিকনি ইখৌ লাংলিবসি। কবিনসু ইরক্লি থিম অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা কুমগী নোং হায়না মিংথোনবা শৈরেং। "হুম্লক্লে মৌসমী নুংশিৎনা/শাফু কন্না, নোংগী মপৈ মপৈ।/কুপখ্রে। শংবান্নবা অতিয়া.../কালেন মৈশা খাংলুরবী/ খৌগংলবী মালেম লৈমা/হরাও মথোই কাজরে।/হৈপাল-লৈপাল, উপাল-ৱাপাল/হাইনা হুম্না নোকচরে।/নঙগী নোংখোল তাবদা/পাঙ্গল্লবা লৌমীশিং/তূম্বা-চাবা খন্দনা/পোপু শমপোৎ মাঙদা থা/লাঙ্গোল লেংদা থোংখরে/লৌবুক মায়কৈ পাংখরে/তাইবঙ শিন্থা পাঙখরে/চুরো চুরো কুমগী নোং/ঈংনা তপ্লা, মালেম শীন্না/ওইহনবীরো, অঙ্গৈবা অতপ্পা মালেম" (লা: ২১) চাকহোঙ ঙাহোঙবা অদুগা মহৌশা মহাক্কী খলসু কায়দনা নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না লৈবা লমদম ওইহঞ্জনীংবা পূক্নিং ইহুল অমদি লোয়নরি। রোমান্তিক কবিশিংনা হেক হেক অসিগুম্বা পূক্নিং মাতা অসি ফোঙদোক্কল্লি। মসিমক অইবী শ্যামাদসু য়াওরি।

মালেম নোংখোঙ কায়দুনা ঙসিদি অঙ্গৈ অশাগী খলসি য়াম্না শাথীনা কায়থরক্লি হায়বসি মীপূম খুদিংনা থেংনদুনা লাক্লি চহী খরসিদা। চাওর-চাওরবা লাইওইরবা উপালশিং মীওইবনা মশাগীতা য়েংদুনা য়াম্থৎতুনা লাক্লি। ঙসি চাওরবা চীংজাওশিংদা, তম্পাকশিংদা অচৌবা উপাল নীংথিজনা মসা মরেং ফন্না হৌবা উশিল্লকত্রে। উপালশিংগী উশা ফৈরাথক্তা তোংলম্বা উচেক কয়া মশক উশিল্লকত্রে। তেনৱা শঙ্গু শঙ্গু পাইরক্লম্বা অদুসু উখিদ্রে। লমগী উচেকশিংনা পাৎ-তুরেলদা চাক্তাবা লাক্লম্বা অদুসু নীংশিংবতা ঙাইশিল্লক্লি। উরোক শঙ্গু পাইরকপা ফাওবা তোয়না উবা ফংজিল্লক্তবা অসিগুম্বা মহৌশাগী শক্তম অসিদা পূক্নিং নুংশিবা অমদি তুংদা করি থোক্লগবা হায়না মীপায়দবসু ঙম্লক্তে অইবী শ্যামাসু। অদুনা অসিগুম্বা ফীভম অসিবু শৈথারক্লি পূক্নিং নুংহিকনা মহাক্কী "অহোংবা ঈচেল" হায়বা শৈরেং অসিদা। *"উদগী চাউবা খোংনাংনি/মনা পুঙবা হৈনৌনি/তে তে তেনৱা... শৈশক শৈদান্নদুনা শান্নরমই/চেন্ন-চোংনা ইনিং তম্না/অঙাং ওইরিঙৈ/ইরুপ ইপিজা কয়াগা.../অচৌবা মনা পুঙবা উপালশিংদা/উচেক ৱায়া কয়ানা শাজরম্বনি/নুংঙাইরবা, মহুম পোঞ্জেল... কাইদোংলম্বনি শঙ্গু শঙ্গু।* (লা: ৪৬) অসিগুম্বা শক্তম ময়াম অসি ৱারীতা ঙাইশিল্লক্লে হায়না নুংঙাইতনা শোল্লি। মতমসিগী হোংলক্লিবা ঈচেল অসিদা অদুমক তাওথখিবা তারিব্রা হায়না তেংথারক্লি।

অওনবা অহোংবা হায়বসি হৌনশানি হায়রবসু তাইবঙগী অহোংবা নাইবা থৌওং অমদি অইবী শ্যামানা পামজদে। হোংলক্লিবা অদুগা হোংহন্নীংদবা থৌওং অদুদি মহাক্লা মহাক্কী শৈরেং 'তাইবঙদা মঙলান' হায়না মিংথোনবা অসিদা পুশিল্লক্তুনা নৈনরি। মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু লৈজবা পূম্নমক কত্থোক্তুনা মহৈ মশীন তমহল্লগা অপোকপা মমা মপা ফাওবা কোন্না মখোয়না মী ওইরগা ইন্থোকপা অদুগুম্বা থৌওংশিং হৌজিক মতমদা য়াম্না তোয়না থোকপা থৌওং অমা ওইরক্লি। মসিবু অইবীনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লি। তৌহৈদবা লীচৎ অমনি হায়না। ইচম চম্বা ৱাহৈনা ফোঙদোক্লি, মপা মমা ওইবশিং/মচাবু কয়াম নুংশিবা।/... চাউরা শারেপ ফারকান/মহৈ মপূং ফারকান/মপা-মমাবু মীরায়রক্লে/তাবীদ্রে মখোয়গী ৱাকৎশিং।/মচাদা নাওথি শাগনি/ৱাখল লিশাং থারুবা/মচাগী মীনুংশি ফংদনা/ওল্ড এজ হোমদা/পুন্সি লেনবা তারিব্রা? (লা: ২৮) য়াম্না নুংশিবা শৈরেংনি। অসিগুম্বা মখলগী ইমুং মনুংদা লাক্লিবা অহোংবশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইবা শৈরেংশিং অমসুং পাউজেল পুবা খুন্নাইবু শেমদোকনীংবা শৈরেংশিং মরাং কায়না য়াওবা থেংনৈ অহানবা ওইনা পুথোক্লক্লিবা অইবী অসিগী শৈরেং লাইরিকসিদা। লেপ্তুনা শৈরেং ইরকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি।

*-তোংব্রম অমরজিৎ*

**ৱারী ককনাউ**

# ঙা মরূ

"অসুক নুংঙাইতবা অমা লৈত্রে তৌরিসে"

ইশুক শুকথদুনা মাম্মা মেরানা পাম্বৈ লৈত্রবা অমনা ফম্বগী মওংদা মশাদু ফদ্রাক-ফদ্রাক তারগা নীঙ্গ্রাংননা ফম্লগা মুরুম মুরুম শোল্লি। মাগী মতৌদু উবদা মনাক্তা লেপ্লম্বা খুরা ইবোপিশকসু ফমথরগা মাম্মা মেরাগী লেংজুম পায়দুনা হংলি।

"কৈদৌরে হায়বা থোইবদো?"

"ডাক্তর য়ৌখ্রে, শ্বর হোনবা, মতিন য়োৎফাও য়াদ্রে হায়রিয়ে"

"ইহ! কৈনোনে হায়রিসিবো? ঙরাংদা পুখ্রম্বমগী শঙ্গোইদা চাক চানবা য়াওখি হায়না তাইদা। ওন্থোকপনিদা নোইগী কোরোনা হায়সি। ওন্থোক্লা থুখ্রেদা। শ্বর হোনবা য়ারক্ত্রদি ফীভম লুরে। ঙাইখো ঙাইখো মেরা, ডাক্তরনদি করি হায়রে হায়"

"ওপরেসনগুম্বা মচা অমা তৌদ্রদি য়াররোই হায়রে হায়মাল্লে"

"ওপরেসন'

"পংচাওবুদি চাওদবা মাল্লি, তৌদবদি য়ারোই হায়, হৌজিক তৌনি হায়দনা মচাখৈনা কোয়চেন চেন্নরি"

"ইস! নঙনা শুকথরিসিদি য়াই, ঐসু নুংঙাইতে। হৌখিবা থা খরগী মমাঙদা সাপমগী তাদা চাওবসু শ্বর হোনবা নুংঙাইতে হায় হায়না হায়নবগা নীনি শুবদা লৈখিদ্রে। ময়ূমদফাও পুথরকখিদে। কাইদনো মথৌ মঙম পাঙথোকখি হায়। মচানুপা অহলদুখক য়াওরুই হায়ব্রা কৈনো?"

"করিনোনে ইতাওবীসিনা অমুক তৌখৎলক্লিসিনা?"

"তাদা চাওবগী ৱানিদা, কনাগী শোরাৎ করি করা নিংথি নুংঙাইনা তৌখিদে। মমিংতগী ওইনা লাইগী শোয়দনবা খরা তৌরগা লোইশিনখিদনা। মোমোন মোমোনতা নোকচবা তাদা চাওবনি। অহল ওইশিল্লকপগী হৌনবী চাইরুংদুদি ফজনা কুৎখ্রবনি। মমাঙঙৈ মশক্কগা ফজরমখ্রপোৎনি। নহা ওইরিঙৈদা তাদা চাওবনা ফৈজেম কুঞ্জা কাওরগা চৎপদি, কনাগী মৌ নহা ফাও য়াওনা চেপথ-চেপথ য়েংবদা খুদি থিনখ্রিনি কৈনো? নঙসু খঙইদুদি, অদুনা মাগা চৎমিন্নবসি খুদোংচাবা মাঙই হায়দনা কনামত্তনা নুমিদাংৱাইরম মাগা কোয়বা চৎমিন্নদে। হা হা হা... খল্লুরগা নুংবু নুংশিরকই। ঐনা লৌরিবা ইবেহায়বীসিসু নোংমা তাদা চাওবগা চৎমিন্নরুবদা, ঐঙোন্দা শুংওন ওনশিল্লক্তদনা তাদা চাওবদা য়েং লৈখ্রবনিনেমি। মদুদদি ঐসি ঈ হেক কারক্তনা মমায়দুদাকিন্না হেক থিন্নীংবজাৎনি। উচিন নাচিন্না থোকচোমগী হুইদুনা গৌ গৌ লাউনা খোংলকপদা ইবেল্লৈদু মমায় লৈথোরকপগী ৱানি। মদুগী ৱাহৌদগী কাইনগে তৌরম্মবনিদনা। ফজখ্রবা তাদা চাওবনি, য়োংলৈ মেল্লৈ খাইবা নত্তে। পূম্নমক্লা মাবু মমিৎ থুপখৈ য়েংনরম্মীবনি। অদুবু লোইরমদাইদুমদি চাইরুংদু কুশিৎ হেক কুৎখিবদগী ফজরম্বা মশক্তু হেক মাঙখিবনি।"

"কদাইদগী ৱারীনোনে তৌখৎলকইসিবো"

"হেরা মমাঙঙৈগী ৱাদুনিদা"

"তাদা চাওবগাইনা, লৌরিসে, ইতাও থোইবগী ৱানিনে"

"হোইনে অদুদনিনে, থোইবগী ৱাদগীনিনে চাওবা চিংথোরকইসে"

"ৱাসে ফৈরেংননা চৎলেদা"

"ঐদি তাহৌদে, মা অদুম্মাইনা তৌনি হায়সি। মদু খঙদবনিনা ঐদি ঙরাংদু অৱাং লৈকায়গী শ্বাষ্টিগী ৱারী তৌবদু ঙাইহাক তারুসি হায়না হৌগে চঙলুবনি, চাক চাবা চৎখি হায়দুদা অদুম উনদ্রে, অদুগা ঙসি তারিবা পাউসিগা। অমরোমদা উনহৌদবা, চৎমিন্নহৌদবদুমদি ফরে। মাগী কোরোনা হায়সিদি য়াম্না লৌনগল্লি হায়। ঐ শোয়বু শোয়রমনিদা"

"কৈনো ইতাও নঙনা ঙাঙলিসিবো?"

"অদুদি মাগী ওপরেসনদু তৌরগদি ফগনি হায়ব্রো?"

"অদুবু ঐনা খঙব্রো? ডাক্তরনা খঙগদবনি"

"ইতাও মেরা, সুম্মাইনা হায়নবসে য়াম্না শোয়গল্লি। অহলগা ওইশিল্লে, ঐদি থাজদ্রেবো? মাদি কয়াসু চথোকপা নত্তে। কদাইদগী কনাদগী লৌনরকপনো? মোইগী ইমুংদুদি কনা কনা পোজিটিভ ওই হায়গে"

মাম্মা মেরাদু মমাই মমিৎ য়ুংখৎখ্রে। সেরানগা তুরানগা, কনাগী চাওবনা মাগী নুপীফাও চাকথেকহনবগী ৱারী ঙাক্তা। ফরক ফুনীংলকই, অদুনা থোক হেক খুম্মকই।

"হোই হোই, লোইনমক পোজিটিভ ওইরেয়ে"

"ইস! নঙদি করমকান্দা উনহৌই।"

"ঙরাংদো ঐগা ফম্মিন্নরগা চাক চামিন্নরিনি"

"হা নঙগা? শোয়রেদনা তৌরিসিদি"

খুরা ইবোপিশক ফুক লাওনা হৌগৎলি অদুগা থুনা ফীট তরুকমুক্কী চাংদা লাপথোক্লগা, মঙকশমদা য়াল্লক্লিবা মর্ফলাদুনা মনাতোন থোক খুমজিনখি। মাগী মতৌদুদা করি খল্লুরবনো খঙদে, মাম্মা মেরাদু মমায়দু থাঙ্গৎলগা খুরা ইপোবিশক তম্না লোক খুনীংদনা 'উহু উহু' হায়না খুজিল্লি। খুরা ইবোপিশক্লা মনীং হল্লগা,

"কৈনোনে ইতাও মেরা?"

"নঙগী নতৌদুদা শাওনীংলকপা, কনানা নঙোন্দা ইতাও থোইবদু কোরোনা নারে হায়গে?"

"হাইমা হৌজিক্তা ইতাওনা মাবু শ্বর হোনবা নুংঙাইত্রে হায়না ডাক্তরদা পুখৎলি হায়দাইনে, ঐনা তাবা ওন্নরজাৎলা?"

"ওন্নদে, খল্লিবা ৱাখলদুদি ওন্নে। ঙরাং ভোটকী চাক চানবনি, অদুদা অহল ওইনা য়াওদবা য়াদে হায়বদগী য়াওরুবনি। অদুদা ইতাও থোইবদো ঙা মরূ পনবদগী ঙরাংদগী অদুম ডাক্তরদা পুখৎখ্রবনি"

"হেরা... ৱায়োং চাদবা, হনুথংদা কৈদৌবগী ভোটকী চাক চারুরিনো? ভোটকী ঙা মরূ পনবসিদি পাক ফত্তে হায়বনি। ওন্থোকপা হায়দুনিদা, ঐদি কোরোনানি হায়না আ য়ৌনা খল্লুরে। অদুগা ভোটকী চাক চাবদা ঙা মরূ পল্লবা ইতাও থোইবদো?"

ঙসাইদগী থোঙনাও হাইদোক্লগা অহল অনীদুগী ৱারীদু তাবদা ঐসি হেক্তা মখোন থোক্তনা নুংদা ফুম্মগা নোকপদা ইশাসে হেক্তা চোকথবগী ৱানিসে।

*-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*